ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মফমদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): লময়ানবা হিজম ইরাবতকী পোকপা নুমিৎকী নিংশিং থৌরম ঙসি নোংমৈবুংদা লৈবা থমচেৎ হায় স্কুলগী গ্রাউন্দদা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংনা পুন্না খুৎশন্নরগা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্ট অহুম্না লৈখিদ্রবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ফোটোদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মদুগী মমাঙদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল জওণ্ট্রেড ৱার্দনম্বর ২১ গী মেম্বর পি সুরজ, থমচেৎ হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস ৱাই সুনিতা লৈমা অমসুং নোংমৈবুং ঈ এচ সীগী প্রসিদেন্ট এন ইন্দ্রজিৎ, নোংমৈবুং ৱিমেন দিভলপমেন্ট মৈরা পায়বী এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন সোবিতা, থমচেৎ গার্ল জুনিয়র হায় স্কুলগী রিটয়ার্দ হেদ মিষ্ট্রেস বেনি, স্কুল অসিগী সিম্পেথাইজর এল ইবোচৌবা অমদি নোংমৈবুং আই আই কে এল টি ঐচ এলগী প্রসিদেন্ট আর কে দিনেশনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱাঙাঙলোয়শিংনা ফোঙদোকখিবদা, লময়ানবা হিজম ইরাবতনা মশাগী ওইজবা কান্নবা কয়া থাদোক্তুনা মীয়ামগীদমক্তা কথোক্লম্বশিং অদু শিংথাখি।

নিংশিংবা য়াবদি লৈখিদ্রবা ইরাবত কুমজা ১৮৯৬ কী সেপ্টেম্বর ৩০ দা পিশুম ওইনাম লৈকায়দা পোকখি অমসুং কুমজা ১৯৫১ গী সেপ্টেম্বর ২৬ তা ম্যান্মাগী অঙ্গো চীংদা লৈখিদবনি। মহাক চহী ৫৫ রোম হিংলম্মী।

অমরোমদা, লম্ফেল সুপর মার্কেটতা ঙসি লময়ানবা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা চাউখৎ থৌরাং নুপী লূপ অমদি ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

মরকসিদা শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবা অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা ওজাশিংনা শিন্দুনা লময়ানবা হিজম ইরাবত মপোক নুমিৎ নিংশিং থৌরমদা স্কুল অসিগী ওজাশিংনা স্কুলগী অকোয়বদা শিৎ-শেংবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা লময়ানবা ইরাবতকী মরমদা শৈরেং পাথোকখি। লোয়ননা লময়ানবা ইরাবতকী মিতমদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

এক্সিদেন্টতা মীওই নিপান শোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): কমোং খুলদগী উখ্রুল তম্না চেনবা টাটা সুমো (এম এন ০৪এ ৩৬৫৪) অমা ঙসি উখ্রুল য়ৌগদবা কিলোমিটর ৩০ রোম ৱাংলিঙৈদা কামোংদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী লোক্তা ওন্থবদা দ্রাইবর য়াওনা মীওই নিপান অশোক-অপন নংলে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং অদু সংসটতা লৈবা ১৭শুবা আসাম রাইফলসকী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবগী থবক চথরি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অহুমদি খরা থীনা শোকই হায়রি।

টাটা সুমো অদু থৌরকপা কামজোংদগী এ হোলনৈ (৪০) কৌই। থৌদোক অদুগী মতাংদা উখ্রুল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, উখ্রুল টু কামোং ফাওদুনা চৎলিবা লম্বী অসি হৌজিক নোংজুথা ওইবনা লম্বীগী ফীভম ফৎত্রে। লম্বী অসি নোং চূরগনা লৈখোম-লৈনাংনা চৎপদা খুদোংচাদে। অদুগা নুংশা শারগনা উখ্রুল হৌই হায়রি।

‘ইলেক্ট্রিক ওটোরিক্সো লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): লুৱাংশংবমগী কোইরেঙ্গৈ এয়র ফিল্ডগী মায়োক্লবদা লৈবা সনসাইন মোটো সো রুমদা ইলেক্ট্রিক ওটোরিক্সো অমদি ইলেক্ট্রিক রিক্সো লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অমা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট, হোর্টিকলচর, সোইল কঞ্জার্বেসন এন্দ প্লান্নিং মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হোম এল সুশিন্দ্রো মীতৈ (য়াইমা) অমদি কলিঙ্গ ভেঞ্চরগী মেনেজিং দিরেক্টর রাজসিটিনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক্কী মতমদা ইলেক্ট্রিক ওটো শিজিন্নরকপা অসিনা মালেমগী ওইনা এয়র পোল্যুসন কন্ট্রোল অমদি নোইজ কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লগনি। ঐখোয়গী লমদম অসি গাড়ী থৌবদা হোর্ন খোংবগী হেবিট লৈরি। ইলেক্ট্রিক ওটোরিক্সো অসিনা এয়র পোল্ল্যুসন অমদি সাউন্দ কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লগনি। মীয়াম্না মসিগী কান্নবা ফংলগনি। মণিপুরদা লৈরিবা দিজল ওটোরিক্সোশিং অসিগী মহুৎতা ইলেক্ট্রিক ওটো রিক্সো অসিনা মহুৎ শিন্দোকপীরবদি লৈবাক অসিগী এয়র পোল্ল্যুসন্দা য়াম্না কান্নবা ফংহনগনি।

অদুবু লমদম অসিদা নৌনা ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা ইলেক্ট্রিক ওটোরিক্সো অমদি ইলেক্ট্রিক রিক্সো অসিগী গাড়ী পার্টশিং ফংহনবা য়াম্না মথৌ তাই। করিগুম্বা গাড়ী পার্ট ফংদ্রবদি মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লগনি। মহাক্কী মায়কৈদগীসু ইম্ফাল টু অন্দ্রো টুরিষ্ট স্পোট ফাওবা চেন্নবা ইলেক্ট্রিক ওটোরিক্সো ৫ লৈরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পার্লিয়ামেন্ট সেক্রেটরি হোম পায়রিবা এল সুশিন্দ্রো এলিয়স য়াইমনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা মণিপুরদা ইলেক্ট্রিক ওটো ইন্দিয়ানা শাবা পুশিল্লকপা অসি মহাক্কী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ইলেক্ট্রিক ওটো রিক্সো অসিনা লমদম অসিদা য়াম্না কান্নবা ফংলগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি। মসিগী মমাঙদা দিজল ওটো অমনা নোংমদা লুপা ৪০০/৫০০ তাল্লম্বা অদু নৌনা লাক্লিবা ইলেক্ট্রিক ওটোরিক্সো অসিনা হেন্না তানবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

রিক্সোদা ইলেক্ট্রিক ওটোরিক্সো অসি বেট্রি অমনা চার্জ তৌবদা পুং ৬ চঙই। গাড়ী অসি লৈবদা বেট্রি ৬ হাপকনি। বেট্রি অমনা কিলোমিটর ১০০ রোম চৎলি। অদুগা গাড়ী অসিগী মমলনা লুপা লাখ ১.৭০ রোমনি হায়রি।

অহানবা ষ্টেট লেবেল ওপন দিবেট কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): সাউথ ইষ্ট এসিয়া হ্যুমেন রাইটস এসোসিএসন্না শিন্দুনা লময়ানবা হিজম ইরাবত মপোক কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা অহানবা ষ্টেট লেবেল ওপন দিবেট কম্পিটিসন অমা ‘মণিপুরদা মোব ভাইওলেন্স হেনগৎলক্লিবসি পুলিসনা অচুম্বা তৌরক্কনি থাজদবদগীনি’ হায়বা থিমদা ঙসি লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা সেনিয়র এদভোকেট খাইদেম মণিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা মোব জষ্টিস মোব ভাইওলেন্স হায়বসিদা, লময়ানবা ইরাবতকী মপোক কুমওনগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবসি ফৈ। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমদা লো কায়না শোকহল্লিবা অসিদা পুলিসকী হেন্না মথৌ তাই। পুলিসনা হেন্না থিজিন-হুমজিন্দুনা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনগদবনি। মোব জষ্টিস থোক্তনবা হোৎনগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কম্পিটিটর ৩৫ না শরুক য়াখিবা দিবেট কম্পিটিসন অদুদা মীওই ১০ ওপোজিসন অমসুং ৭ না সপোর্টর ওইখিবা থৌরম অদুদা এল এম এস লো কোলেজ, ইম্ফালগী এসোসিয়েট প্রো. নাওরোইবম প্রমোদ, রিটয়ার্দ আই জি পি সোরোখাইবম মঙলেমজাও, আই পি এস অমসুং এদিটরস গীল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এ মুবিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

উখ্রুল লম্বীগী নোঙাদাগী লম্বী ঈশিং থুম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০: হৌখিবা নোংমা-নীনি অসিদা মণিপুরদা নোং কন্না চূবদগী ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা উখ্রুল লম্বীগী নোঙাদা মখা লৈকায় অৱাং লৈকায় মফম অহুম থোক্লা ঈশিং ঈচাউ থোক্লে হায়রি। হৌজিক লম্বী ঈশিং থুমদুনা লৈরিবা মফমশিং অদুদি কৈমাঙ, পোখায়বী, থাউদিগোং, পৌৱা, তেলৌ অৱাং, শৈজাং মনিং লৌকোনগী লৌ শৎপা হৌরবশিং ঈশিং মনুংদা লৈখ্রে। লৌমীশিং অয়াম্বা কোক্তা খুৎ হাপ্লরে। কুমসি চহীগী ওইনা মরিরক শুবনি। নোঙাদা অৱাং লৈকায়, মখা লৈকায়, চনাগী য়ুম খরসু ইস্খোল য়াওনা ঈশিংনা থুম্লে হায়রি। তেলৌ-চানা লম্বী শিলহৈপুঙ অমদি মফম অনীদা ফিট ২.৫০ মুক ৱাংনা লম্বী মথক্তা ঈশিং চেল্লে। খাবৈশোইগী ইশিরৌগী লৌবুকশিংসু ঈশিংনা থুম্লে হায়রি।

‘মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরিবসি শৌগৎফম থোকই’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরিবা মীওই অমবু ঐখোয় পুম্নমক্না শৌগৎফম থোকই হায়না ওল মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্স্ট্রক্সন ৱার্কর ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী স্পোক্সপার্সন এম সুনিতানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা সুনিতানা মখা তানা হায়খি, মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্স্ট্রক্সন ৱার্কর ৱেলফ্যের বোর্দকী চ্যেরমেন এস প্রেশ্বরজিৎনা বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন হেক ওইরকপদগী হান্না বোর্দ অসিগী ময়েক শেংদবা অমোৎপশিং অদু তরূ-তনান্না থম্নবা হোৎনবদা মহাকপু য়ানিংদবা মীওই খরনা মঙোন্দা চার্জ তৌরক্লিবসি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সী ৬০ গী লেবর য়ুনিয়নগী মীওইশিং পুল্লগা শেম্বা ওল মণিপুর বিল্ডিং এন্দ কন্স্ট্রক্সন ৱার্কর ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

চ্যেরমেন অসিনা লায়রবা খুন্নাই অসিবু অৱাবা কোক্লবা শেন্থোক লম্বী লৈনবা ট্রেনিং কয়া পীদুনা হোৎনরি। মপান্দগী চঙলকপা শিন্নীশিংনা থবক শূবগী মহুৎতা লমদমসিগী নুপাশিংনা থবক শূননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। অদুগা নুপীশিংনা ফিশা-লোনশাগী লমদা মায় ওনশিন্নবা হোৎনরিবনি।

চ্যেরমেন অসি য়াম্না নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা লায়রবশিংগী মতেং পাংদুনা লাকখিবা মীওইনি। অনাবশিংবু লায়েংবীবা, লাইরিক তম্বা ঙমদবশিংবু তম্নবা হোৎনবীবা, থবক ফংদ্রিবা নহাশিং মশানা মশাবু থবক পীজনবা মতেং পাংলিবা মদুদা নত্তনা শান্নরোয়শিংবু শৌগৎপীদুনা মখোয়গী মতেং পাংলিবা মীওইনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অনৌবা চ্যেরমেন অসিনা লাক্লবা মতুংদা হান্নগী ফাইলশিং লোইনা থিদোক্লবা মতুংদা অনৌবা মেনেজমেন্ট খরা হৌদোকখি। মদুদি লেবর দিপার্টমেন্ট অসিদা লেবর কার্দ শাফম লৈরমদে। লেবর কার্দ অসি মপান্দা পংশা শারম্মী। অদুবু হন্দক অনৌবা চ্যেরমেন লাকপদগী কার্দ শাফম শেল্লকখি, ওফিসক চে-চাং মফম চানা থম্বা হৌরকখি। অদুগা চে-চাং ময়াম অসি কম্প্যুটরাইজদা ওন্থোক্লগা ইনফোর্মেসন অমত্তা মাঙদনবা হোৎনরকখি।

মসিদা নত্তনা মেদিকেল বেনিফিট, এদ্যুকেস্নেল বেনিফিট অমদি দেঠ বেনিফিট অসি চহী ৩/৪ পেন্দিং লৈবশিং লেবরশিংগী য়েংলগা ক্লেম লাকপশিং থা ৩ গী মনুংদা ওন্থোক্লবা সিষ্টেমশিং শেল্লকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হেন্না ট্রান্সপরেন্ট লৈনবা অমসুং করপসন তৌবা ঙমদনবা স্মার্ট কার্দ ইমপ্লিমেন্ট তৌখি। লম্ফেল দি সী ওফিসতা লৈবা লেবর দিপার্টমেন্ট অসি হৌজিক্তি মওং চুম্বা দিপার্টমেন্ট অমা ওইরে হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এ সী ৬০ গী য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং অয়াম্বসু শরুক য়াখি।

ইরাবত দেগা মরী লৈননা লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি য়ু পি) অন্দ্রো য়ুনিটনা শিন্দুনা ইরাবত ওবজার্বেসন দেগা মরী লৈননা ‘ক্লিননেস নেক্স টু গোদলিনেস’ হায়না মিংথোনবা নোংমগী ওইবা লম-তূ শেংবগী থৌরম অমা সনা পোকপা চকপা পনম নিংথৌ মৈহৌপিরোল পনা লোয়শঙ অন্দ্রোদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অন্দ্রো য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমদি মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি জেনরেল থৌবালগীনা ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরিবা নরেন্দ্র সাপম কে বি য়ু বি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

ꯄꯥꯝꯖꯩ/ মীওই অমা পামজৈ

ইমুং-মনুংগী থবক্তা মতেং পাঙনবা নুপা নৎত্রগা নুপী অমা অথুবদা পামজৈ। কনাগুম্বা থবক অসিবু পান্নীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-C/061/29,30&1Nov.
Contact : 7423081322

CAMBRIDGE ENGLISH
At Keishamthong Elangbam Leikai Leirak Macha, Imphal West.
ꯑꯅꯧꯕ ꯀꯣꯔꯁ New Courses starts on 11/10/2017
English Foundation: Class-X (BOSEM)
3rd Batch: Morning :05:40 am-06:40am. Evening:06:15 pm - 07:15 pm.
Outstanding features: Thorough discussion- Question analysis- Weekly Test under BOSEM question patterns-Suggested Questions & Answers-etc.
Grammar Foundation: Classes X,XI,XII
What to be Taught: Word Classes-Kinds of Phrases- Determiner-Model Auxialiary-Voice-Tense-Narration-Clauses-Transformation of Sentences, etc.- 1). 04:30 am.- 05:30 am. 2). 04:00 pm-05:00 pm
Language Skills: Grammar & Spoken - 04/10/2017
Group 1:Student-Secondary,College,University,etc. (06:50 am-08:10 am)
Group 2:Senior-Professionals and Others 30 yrs. above. (05:10 pm-06:10 pm)
Special English : Competitive Exams.
Starts on: 04/10/2017 Afternoon: 01:30 pm - 03:00 pm.
For Address Contact- 9774463856 & 9402280502 (H.Chinglen)
Forms available now for Revison Course- Class-X English (BOSEM):05/12/2017
N.B: Home Tutor available for Grammar & Spoken English
HL-P/2950/24-24Oct.

ANGAHAL HIGHER SECONDARY SCHOOL, WANGOI

NOTICE

School Management Committee of the Angahal Higher Secondary School, Wangoi Sl. No. 636 and School Code No. 16383 has discussed shifting of School location to Lilong Chajing Meitei Lamkhai, Imphal West and Change the name of School to N.K. Academy, Lilong Chajing with immediate effect after consideration of G.B. Committee. Any claim to be done within 15 days.

Sd/- **Th.Tomba Singh**
Secretary, Angahal Hr. Secondary School,
Wangoi, #: 8731868495.

HL-P/2832/22 to 6 Oct.

ꯃꯥꯡꯈ꯭ꯔꯦ
DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet & Migration Certificate of Class X Examination bearing Roll No. 3140720 of 2017 issued by CBSE on the way from North AOC to Uripok on 15/09/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
Sorokhaibam Amarjit Singh
Uripok Tourangbam
Leikai, ☎ 8730017881

HL-P/2980/1

DRIVER & FIELD OFFICER
ꯄꯥꯝꯖꯩ/WANTED

MAGIC TIPPER DRIVER	02
FIELD OFFICER	02

HL-P/2854/1
Please Contact : 7642833059

ꯈꯣꯡꯎꯞ/খোঙউপ শাবগী ট্রেনিং

মশাগী চহী ১৭ তগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপাখক্তগী ওইবা থা ৬ (তরুক) কী ওইবা খোঙউপ শাবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকচরগনি। ট্রেনিং মনুংদা Stipend পীজগনি। ট্রেনিং লোইরবশিংদা থবক্কী খুদোংচাবসু লৈগনি।

Contact :
7005525809
9774469342

Sd/- L. Chamba Singh
Proprietor
Super Shoes Unit
Changangei Mayai Leikai.

HL-P/2950/29,30&01 Oct.

ꯏꯁ꯭ꯕꯔꯅ ꯃꯇꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯗ ꯆꯥꯟꯕꯤꯕ ꯑꯣꯏꯔꯁꯅꯨ!

ঈশ্বরনা মতম খুদিংদা চানবীবা ওইরসনু!



L. Sudhakar

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)** (অপোকপা নবকিশোর) গী হীদাক হপ্তা ৪ চারবা মতুংদা ঐগী লোইনবীগী কিডনীদা লৈরম্বা নুঙ অদু তাখ্রে। মসিগীদমক্তা লাইশ্রম সুধাকরবু নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Leishangthem Dhiren**
Thangmeiband Polem Leikai

HL-P/2972/1

ꯅꯨꯡꯁꯡ (ꯄꯥꯏꯂꯁ) ꯑꯣꯄꯔꯦꯁꯟ ꯇꯧꯗꯅ ꯐꯍꯜꯂꯁꯤ

নুঙশং (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

নুঙশং পেরে, নুঙশং ককলাই, পোম্বা তঙবা, মপানদা চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, ঈ তাবা, নাই চারগা পোম্বা, মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা) মনুংদা পোম্বা অমদি (হেমোরোয়র্দ) মনুংদা চাথৎপা লায়না হেঞ্জিল্লক্লবা হায়বদি খুৎনা-ইনশিনবা চঙদ্রবা পদ্রাক পদ্রাক তারবা অমদি খোঙ হাম্বা য়াদবা, ওপরেসন তৌরুরগা হৌরকপা, হায়রিবা লাইওংশিং অসি য়াম্না লায়না ফহনবা ঙমজরে। ঙসিমক লাকপিদুনা অদোমগী নুংঙাইতবা অদু অথুবা মতমদা য়েংথোকপিয়ু।

লায়েংজরিবা : *Naorem Ibomcha Meitei*
Heingang Awang Leikai, Saya club,
☎ 8014023792

HL-P/2962/28to12 Oct.

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্না লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্না লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্না লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্না ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্না ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9615533737, 9856271907**
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

HL-B/4151/30/09-29/10

ꯕ꯭ꯔꯦꯅꯣꯕ꯭ꯔꯦꯟ
BRAINOBRAIN NAGAMAPAL
Established : 2009
750 Plus Enrollment, 20 Faculties
EXPLORE THE AMAZING POWERS OF YOUR CHILD'S BRAIN

ADMISSION OPEN
42nd BATCH OF BRAINOBRAIN'S
Advanced Skill Development Programme

- Improves Memory Power
- Vocabulary & Spelling Skills
- Enhances Mathematical & Logical Skills.
- Quick & Retentive Memory
- Course Duration: 10 Terms of 3 months each.
- Class Start : 8th October 2017
- One Class per Week (2 hrs on Every Sunday)



3 5 6 8
6 5 7 3 9
-4 8 7 1 3
9 5 6 2 8
8465 ÷ 789
7982 x 674
Your child too can solve such problems in seconds !

HEAD OFFICE: BRAINOBRAIN NAGAMAPAL
NAGAMAPAL SORAM LEIRAK 9615412398/ 9612560058
Please don't wait for the last date to enrolled your child

Greetings from Brainobrain Nagamapal
We are introducing 6 months Basic Drawing/ Painting Programme by Miss A. Anju Devi (Master in Visual Arts, Painting)

HL-P/2951/25 to 24 Nov. (alt.)

IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, MOIRANG

Ref:- Mutation Case No. 725/AS&SO/MRG Dated 27/09/2017

1. Laishangbam Biren Singh s/o (L) P. Manaotombi Singh of Moirang Laishangbam Leikai, 2. Laishangbam Kanthamala Singh s/o (L) P. Manaotombi Singh of -do-. ... Applicants

-VS-

(Late) Pukhrem Manaotombi Singh s/o (L) P. Iboton Singh of Moirang Laishangbam Leikai. ... Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Moirang, 29/09/2017

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫২-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং (অরিবা), ৮৭৭ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ৪৯৮৯ এরিয়া ২.২৪ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী Pattadar মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লৌফম অসিগী মৃত পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Asst. Survey & Settlement Officer,
Moirang, Manipur.

HL-P/2979/1

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR YAIRIPOK : MANIPUR

Ref:- Mut. Case No. 293/SDC/YPK/17 Dated 27/9/2017

1. Akoijam Ibechou Devi w/o (L) Beikul Singh of Yairipok Bishnunaha,
2. -do- Sanatombi Devi w/o Late Kumar Singh of -do-.

-Petitioners

-Vs-

Late Akoijam Beikul Singh s/o Tamphajao Singh of Bishnuaha.

-O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Yairipok, the 27th September, 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পেটিম্নরশিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১০২-বিষ্ণুনহা, পাট্টা নং ১৭৫ অনৌবা দাগ নং ৩১৭ এরিয়া ০.১১০০ হেক্টর চাওবা ইস্খোল অসিগী পাট্টাদার অকোইজম বৈকুল সিংহ পীং তম্ফাজাও সিংহ সাং বিষ্ণুনহাদা লৈবা অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পেটিম্নরশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইস্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Yairipok, Thoubal Dist, Manipur

HL-P/2853/1

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729
The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc. &Arts
REVISION COURSE FOR CLASS X,XII FROM 2nd Oct & 5th Oct.
Last Foundation course for class ix to xii

Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2017

2nd Position(Sc. 2017)
R.K. Babysana

3rd Position(Sc.2017)
VICTORIA

Only 30 seats each section separated CBSE &COHSEM batches

2nd Position (Arts)
Guneshori

3rd Position(Arts)
Dholenchandra

8th Position(Arts)
Pebam

Separated boys and girls hostels, van service,morning and evening batches .For more details contact 9862992105

HL-B/4132/21-20 Oct.